# Delirium tremens : য়ু থকপা লেপ্পদা থেংনবা লায়ওং অমা

— ডা. সোরাম মনিকান্ত —
সিনিয়র কন্সলটেন্ট সাইকিয়াট্রিষ্ট
dr.smanikanta@gmail.com



য়ু লমদম অসিদদি অনৌবা ময়াই কাবা পোৎশক অমা নত্তে। ধর্ম্মগী ওইবা লাইনীং-লাইশোন অমদি ঐখোয়গী ইনাৎকী ওইবা থৌরম কয়াদা য়ু অসি য়াওদবা য়াদবা পোৎলম অমা ওইনা শীজিন্নে। হীদাক (মেদিসিন) মরু ওইনা চানীংবা ফাওনবা এপ্পিটাইজর ওইনা, চাবা তুমদবা, পুক নুংঙাইতবা নৎত্রগা তূম্বা য়াদবা মতমদা য়ু অসি শীজিন্নবা থেংনৈ। য়ু মতম কুইনা শীজিন্নবা নৎত্রগা কা হেন্না থকপনা মখল মখা কয়াগী লায়না থোকহল্লি। মীশি-মীনা, খৎন-চৈনবা থোকপগী অচৌবা মরম অমসু ওইরি। য়ু শীজিন্নবনা থোকহনবা মরু ওইবা লায়না খরা পনবা তারবদি 1) Liver গী অনাবশিং - Hepatitis, Cirrhosis, Liver failure 2) Heart problems-Cardio-myopathy, BP ৱাংবা, Heart attack 3) Cancer - Colorectal, breast, mouth, throat, esophagus, liver হায়রিবশিং অসিদা কেন্সর ওইরকপগী অচৌবা মরম অমনি। 4) য়ু কুইনা শীজিন্নবনা ব্রেন দেমেজ তৌহল্লি। মসিনা মরম ওইদুনা কাউজানবা, নীংশিংবা ঙমদবা, দিমেন্সিয়া নারকপা য়াই। 5) চাকখাও, থিবোং-থিরিন শোকহল্লি অমসুং পুক নাবা, পুক কংখৎপা, চাবা তুমদবা, খোঙ হামথবা (diarrhoea) থোকহল্লি। 6) য়ু হেঞ্জিন্না থকপনা Pancreatitis নাবগী চাংসু ৱাংই। অসিদসু নত্তনা ৱাখল লায়না দিপ্রেসন, এঞ্জাইটি অমসুং ঙাওনা ফৈন্না নাবগী চাং য়ু থকপা মীওইশিংদনা হেল্লি। লমদম অসিদা য়ু থকপগী চাং অসুম হেনগৎলক্লি। কোভিদ-১৯ অমসুং চহী অনী হেল্লবা ঈরাং মনুং অসিদা য়ু শীজিন্নবগী চাং খংহেন হেনগৎলকখি। ঐখোয়না হেন্না চেকশিন্নীংঙাই ওইরিবদি য়ু শীজিন্নবগী হৈনবীগা লীচৎকী ওইবা থৌরম কয়াগা লোয়নদুনা চৎমিন্নবা অসিনি। খুদম ওইনা মী শিবগী পোৎলোইবগী থৌরম, দেব-কর্ম্মদা য়ু শীজিন্নবা চৎনবী অমা ওইরক্লি। অসুম্না মতম কুইনা য়ু শীজিন্নবা নৎত্রগা থা ১দগী তাদনা লেপ্তুনা য়ু থকপা মীওইশিং অসি য়ু থকপা লেপ্পা মতমদা মখল মখা কয়াগী লায়ওং (withdrawal symptoms) থেংনবা য়াই। হায়রিবা লায়ওংশিং অসিগী মনুংদা delirium tremens হায়রিবসিসু অমনি।

Delirium tremen (DT) হায়বসি করিনো? Alcohol withdrawal শিংগী মনুংদা খ্বাইদগী শাথীবা লায়ওং অমনি। মসি য়ু থকপা লেপ্পা নৎত্রগা য়ু থকপগী চাং খংহন হন্থবা মতমদা থেংনগনি। য়ু থকপা লেপ্পা নুমিৎ ২-৩ শুবা মতমদনা খরা তোয়না থেংনৈ। লায়ওং অসি নুমিৎ ২-৩ চথুবা য়াই। করিগুম্বদা নুমিৎ ৭-৮নি ফাওবা লৈবা য়াওই। মতম চানা লায়েংহৌদ্রবদি খুদোং থীনীংঙাই ওই। মসি লায়েংবা ঙম্বা লায়ওং অমা ওইরবসু খুদক্তা মেদিকেল ক্যের পীবা মথৌ তাই। মসিগী মরু ওইবা লায়ওং খরদি - 1) Tremor হায়বদি খূৎ-শা অমদি হকচাং নীকপা 2) Confusion - তরং চৎপা। মফম, মতম, নুমিৎ, তারিখ খঙবা ঙমদবা অমসুং মী মশক খঙবা ৱাৎপা। তরং চৎপা অমসুং হকচাং নিকপা থৌওং অসিবুনি ঐখোয়না delirium tremens হায়রিবসি। 3) Agitation/Anxiety লৈতাফম খঙদবা, লাংতক্নবা, খোয়শাওনবা, পোত্থাবা ঙমদবা 4) Hallueinations - অকোয়বদা মী নৎত্রগা পোৎশক অমত্তা লৈত্রবসু খোঞ্জেল তাবা নৎত্রগা মিৎতা করি করিনো উবা, কিবা, চিংনবা অসিনচিংবসু লোয়নবা য়াই। মীনা মাবু কোয়থি থিদুনা লৈরে, মী ময়াম লাক্কদৌরে, ফাগদৌরে হায়বনচিংবা চিংনবা কয়া লৈবা য়াই অমসুং চেন্নবা, লোৎনবা হোৎনরকপা য়াওই। 5) Tactile hallucination - খূৎ-শা জিং-জিং লাউবা, য়েৎতুম্না থিনবদৌনা নাবা ফাওবা। অসিদসু নত্তনা হকচাংদা তীল-কাং কোইচৎ চৎতুনা লৈরে খনবা। 6) Sensory disturbances - ফক্লাংদা তাবা মমি অদু তীল-কাং নৎত্রগা অয়েকপা লাইগুম্না উবা নৎত্রগা পোৎশক অমবু চুম্না উবা ঙমদবা খুদম ওইনা পেটি, থৌরী মতৎ অমবু লিনগুম্না উবসু য়াওই। 7) Bouts of heavy swealing - কা হেন্না হুমাং শৌবা, হুমাং তাবগী থৌওং অসি অমুক ফবা অমুক হুমাং তাবা তৌগল্লি। 8) Withdrawal Seizure - শারৈ হৌবা অসিমক্তি য়ু থকপা লেপ্পা নীনি শুবা মতমদা হায়বদি পুং ৪৮গী মনুংদা তৌগল্লি। লায়ওং অসি থেংনরবদি চেকশিনগদবনি। মতম চানা লায়েংহৌদ্রবদি status epilepticus হায়বদি মতম শাংথনা কুইনা শারৈ তৌবা নৎত্রগা seizure attack অমগী মথংদা অমা হঞ্জিন হঞ্জিন তৌবা থেংনবা য়াই। মসি খুদোং থীনীংঙাই ওই। 9) High body temperature - মশা কা হেন্না শাবা। 10) Headache - কোক চিকপা। 11) Nausea/Vomitting - ওনীংবা ফাওবা নৎত্রগা ওবা। 12) Tachycardia - মিহুন য়াঙনা হুনবা অমসুং বি পি ৱাংখৎপা। হায়রিবা থৌওং অসি চেকশিনবা ফৈ। মরমদি খুদক্তা হার্ট এটেক তৌরকপা য়াবগী ওইথোকপা লৈ। অসিদসু নত্তনা কা হেন্না পাখৎপা পেনিক এটেক অমসুং তূম্বা য়াদবা কয়াসু লোয়নগল্লি। মথক্কী লায়ওংশিং অসি নুমিদাংগী মতমদনা খরা হেন্না থেংনগনি।

Delirium tremens মতম চানা খঙদোক্তুনা লায়েংবগী তঙাইফদবা লৈ। মসিগী মরমদা খরগা হেন্না খঙমিন্নসি। বি এস এফতা থবক তৌবা মীওই অমা ময়ূমদা ছুটি থোরকই। মসিগী মমাঙদা ছুটি লৌগে হায়বদা য়াদে হায়বা ৱাহৌদগী বট্টালিয়ন অদুগী কম্মান্দেন্ট অদুগা মরৈ য়েৎনবগী থৌদোক অমা লৈখি। মরম অসিনা য়ুম থোরক্ত্রিঙৈদা য়ু তোয়না থকখি। য়ূমদা থোরকপা নুমিৎ নীনিগী মতুংদা delirium tremens কী লায়ওং লাকপা হৌখি। খূৎ-শা নিকপা, হুমাং কাংবা, হুমাং তাবা, তরং চৎপা/মসিগা লোয়ননা মঙোন্দা অকিবা, চিংনবা অমসু লৈখি। অকিবা চিংনবা অদুদি মহাক্কী কম্মান্দেন্ট অদুনা মহাকপু হাৎনবা হোৎনরে। ইম্ফালদা লৈরিবা বি এস এফ বট্টালিয়নগী সিপোইশিং থোরক্তুনা মখোয়গী য়ূম কোয়শিনখ্রে, হাৎনবা হোৎনরে, মখোয়না ঙাঙনবা পূম্নমক তারে, মহাক নাম্থোক্তুনা চেনবগী পান্থে লৈত্রে। মরম অদুনা মখোয়না হাৎত্রিঙৈ মশা মথন্তা শিজবনা ফরে খন্দুনা থাঙনা মবুক্তা থিঞ্জিনজদুনা পূন্সি লোম্নবা হোৎনবগী থৌদোক লৈখি। অতোপ্পা থোকখিবা থৌদোক অমদনা ইমুং-মনুংগী প্রোব্লেম খরদগী নীতিগী য়ু থকপনা মহাক্কী হৈনবী ওইরম্মী। য়ূমদা খৎনা-চৈনবা তোয়না থোকই। নোংমদি য়ু থকচিল্লগা লাউ খোংবা তৌবদগী ইমুংগী মীওইশিংনা কা অমদা থোঙ লোনশিল্লগা থমখি। মথংগী নুমিৎতসু করিমত্তা চাদ-থক্তনা লৈখি। হুম্নি শুবা নুমিৎতা delirium tremen তৌরকপদগী মরী মখোঙ শম্নদনা ঙাঙবা, অকিবা ফাওবা, মমিৎতা অকি-অখং উবগী থৌওং কয়া অদুনা য়ু য়োনবী অদুনা শেমজিল্লে, য়ুদা পোৎশেম জাদু তৌশিল্লে হায়দুনা মাইবা কৌদুনা লায়েংখি। অসুম্না নুমিৎ নীনি চূপ্পা লায়েংলবা মতুং হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়েংবদা কনবা ঙমদবদগী লৈখিদে। চাদ-থক্তবনা দিহায়দ্রেশন তৌবা, ইলেক্ত্রোলাইট দিষ্টর্বেন্স ওইবা, কার্দিএক এরেষ্ট অমসুং রেস্পিরেটরি ফেলর ওইবদগী লৈখিদবনি হায়না ডাক্তরনা তাকপীখি। মরম অসিনা ঐখোয়না delirium tremens কী লায়ওং অসি থেংনরবদি অথুবদা লায়েংনবা হোৎনবীগনি। মসি মেদিকেল ইমর্জেন্সি অমনি।

Delirium tremens - alcohol withdrawal symptom শিংগী মনুংদা য়াম্না খুদোংথীনীংঙাই ওইবা লায়ওং অমনি হায়বসি ঐখোয় খঙলে। মসি ওইরকপা য়াবা চেকশিনগদবা থৌওং খরদি - অলকোহোল ৱিথড্রোৱল সিম্পটমস অদু মোদরেট নৎত্রগা severe ওইরবদি চেকশিন্দবা য়াদে। মরমদি খঙহৌদনা delirium tremens লাকপা য়াই। অলকোহোল ৱিথড্রোৱল সিম্পটমস অসি মোদরেট নৎত্রগা severe ওই হায়বসি করম্না খঙগনি। Clinical Institute Withdrawal Assessment for Alcohol Revised (CIWA-Ar) Scale শীজিন্নদুনা এসেসমেন্ট তৌবা য়াই। করিগীদমক্তা CIWA-A Scale শীজিন্নরিবনো? CIWA-A Scale অসিদা য়াওরিবা আইটেম খুদিংমক ঐখোয়না উবা, খঙবা ঙম্বা সিম্পটমশিং ওইবনা এসেসমেন্ট তৌবদা খুদোং চাহল্লি। এসেসমেন্ট স্কোর অদুনা ৮-১৫ ফাওবা নৎত্রগা ১৫দগী হেল্লবদি মোদরেট নৎত্রগা severe ওইরে হায়না লৌগনি অমসুং মসিনা লায়েংবা হৌবদা খুদোং চাহল্লি। অসিদসু নত্তনা হান্না delirium tremens তৌখিবগী হিষ্ট্রি লৈবা, লো প্লেটলেট কাউন্ট অমসুং লো পোটাসিয়ম লেভেল ওইবা থেংনরবদি অমুক্কা হেন্না চেকশিনগদবনি। বি পি ১৫০/১০০গী মথক্তা লৈবা, অহল ওইরবা, লো মেগনিসিয়ম লেভেল ওইবা, ব্রেন ইঞ্জুরি লৈখিবা, মিহুন কা হেন্না য়াঙনা হুনবা (tachycerdia) অমসুং Rum fits হায়বদি withdrawal seizure থেংনরবদি য়াম্না চেকশিনগদবা ওই।

DT হায়রিবা লায়ওং অসি মেদিকেল ইমর্জেন্সি অমনি। অথুবদা লায়েংনবা হোৎনবীগনি। খ্বাইদগী ফবদি হোস্পিটালদা নৎত্রগা ইন্টেন্সিব ক্যের য়ুনিট অমদা লায়েংবনা হেন্না খুদোং চাগনি। অথুবদা লায়েংনবা হোৎনবগী পান্দমদি মখা তানা সিরিয়স ওইবা লায়ওং থোক্তনবা হোৎনবগা লোয়ননা য়ু থকপা তোক্নবা অমসুং য়ু থকপদগী ওইরক্লিবা হকচাংগী লায়নাশিং মখা তানা লায়েং চথুবা য়ানবা শিনবীগনি। অহানবদা মীওই অদুগী লায়ওং মরু ওইনা এজিটেশন অমসুং কনফ্যুজ কন্ট্রোল তৌনবা হোৎনগনি। এজিটেশন মপূং ফানা ফহনবনা withdrawal seizure (শারৈ), শোকপা পনবা অমসুং অশি-অনা থোকপগী চাং হন্থহনবা ঙম্মী। Delirium tremens কী লায়ওংশিং অদু ফনবা হোৎনগনি। মসিগীদমক্তা Benzodiazepines খুদম ওইনা Chlordiazepoxide, diazepam, Lorazepam, Oxazepam শীজিন্নদুনা লায়েংগনি। অহানবদা মীওই অদুনা তূম্লিংবা ফাওদ্রি ফাওবা নৎত্রগা তূমদ্রিবা ফাওবা হীদাক পীজগনি। অদুবু চেকশিনগদবদি মীওই অদু কৌবা তাবা অমসুং হৌদোকপা য়াবা ফীভমদা থম্বীগনি। হেঞ্জিন্না পীজবা তৌরোইদবনি। মথৌ তারবদি antipsychosic drugs পীবসু কান্নগনি। নুমিৎ ৫-৬নি thiamine injection পীবা য়াই। মসি পীরিঙৈদা dextrose solution পীদবা ফৈ। কনাগুম্বনা য়ু থকপা লেপ্পা মতমদা অৱাবা অদু য়ুহন তৌরবদি ফগনি খন্দুনা য়ু পীথকপা য়াওই। মদু তৌবিরোইদবনি। মরমদি মসিনা লায়ওং অদু হেঞ্জিনহনগনি। দি টিগী লায়ওং অদু ফরে হায়দুনা লায়েংবা তোকপীরোইদবনি। মখা তানা য়ু থকপা তোক্নবা হোৎনবগা লোয়ননা মশাদা লোয়নরিবা অনাবশিং (কোমোর্বিদিটি) অদুসু লায়েংদুনা তুং-কোয়না মশা ফনা য়ু থক্তবা পূন্সি মরেল অমা পীবা ঙম্নবা হোৎনবা অদুনা অচুম্বা লায়েং ওইগনি। ●

# তম্বা ঙমদ্রবা ঐখোয়গী লোলগী মরাইবক

মতম মতমগী
গুরুময়ূম জ্ঞানেশ্বর শর্ম্মা

ইম্ফাল পাইনবা দেল্লী এয়রপোর্টকী ইন্দিগো কাউন্টরদগী বোর্দিং পাস লৌরগা থোক্লকপদা গেট নম্বর ইরমদবদগী ইনাক্তা লেপ্পল্সী মীতৈ নুপীমচা অমদা গেট নম্বর ইরক্তে কয়াদা ওইদোইনো খঙবরা হংলুবদা মহাক্না খুমদ্রিঙৈদা মনাক্তা লেপ্পল্সা নুপামচা অমনা 'অঙ্কল বোর্দতা দিসপ্লে তৌরক্কনি হায়বনি' হারকই। ইংলিসতা হায়রকপনি। ঐনা ইবুংঙো নঙ মণিপুরী নৎত্রা হায়না হংলুবদা 'নত্তে' হায়রকই। মখা তানা খঙনীংবা অমগা লোয়ননা করি লমদগীনো হংলুবদা 'উখ্রুলদগীনি' হায়রকই। মণিপুরী লোলসু ঙাঙনীংদবা মাল্লি ঙাঙদে, খঙদবদি নত্তে মহাক মণিপুরী লোল ফজনা খঙই হায়বা ঐহাক খঙই। ঐহাক্না মণিপুরীদা হংবা ৱাহং খুদিংমক মহাক্না ইংলিসতা খুল্লকই। মহাক্না মণিপুরীনি হায়নীংদ্রিবা, মণিপুরী ঙাঙনীংদ্রিবা করিগীনো খল্লুবদা অঙকপা পোকই। চীংমী তম্মী (মরু ওইনা মীতৈ অমসুং নাগা) অনীমক মণিপুরগী য়েলহৌমীনি হায়বদা য়েৎনবা লৈত্রে, ঐখোয় অমত্তনি চীংমীনা ময়াম্বনি তম্মীনা মনাওনি লৈফম খেন্নখিবা, লাইনীং লাইশোন তোঙানখিবনা মান্নদবা খরা লৈখিবনি হায়বদুসু খরা থেঙলবসু থেঙনা ঙসিদি খঙনরক্তুনা নুংশি চান্ননা লৈমিন্ননবা মীওই কয়ানা লেপ্পা লৈতনা হোৎনরি। অসিগুম্বা মতম অসিদা মহাক্না মণিপুরীনি হায়নীংদ্রিবা, মণিপুরী ঙাঙনীংদ্রিবা অসি করিগীনো খন্না খন্না মতম্না য়ারক্তবনা মখা তানা ৱারীদি শানরকখিদ্রে। চীংমীনা মণিপুরী ঙাঙনীংদবদি অনৌবা ৱাফম অমবুদি নৎত্রে, লাইরিক লাইশু হৈবা ট্রাইবেল নহা অয়াম্বনা মণিপুরী ঙাঙনীংদে। ৱারেংজরিবনা সর্ভিসতা লৈরিঙৈ চীংদা পোষ্টিং তারিঙৈদা ওফিসতা লাকখিবা চীংমী ইচিন ইনাওশিং অহল খরা নত্তনা নহা অয়াম্বদি ইংলিস ঙাঙই। মসিগী মরম ঐগা নক্না তিন্নবা ট্রাইবেল মরুপ মপাংশিংদা হংলুবদা "মীতৈলোলদি নখোয় মীতৈগী লোলনি ঐখোয়গী নত্তে, ইংলিস খঙদবা মীওইশিংনা মীতৈলোলবু ফাওনলোল ওইনা ঙাঙলবসু ইংলিস হৈবা মীওই অয়াম্বনদি মীতৈলোল ঙাঙনীংদবনি" হায়রকই। লোল তিন্নবা মখোয় মশেল মমালোলদা ৱারী শানরবসু ফূরুপ তোঙানবা লোল ফাওনদবা মীওইশিংগী মরক্তদি ইংলিস ঙাঙনৈ, ইংলিস খঙদবা মীওইশিংনা মণিপুরী অসি মখোয়গী ফাওনলোল ওইনা শীজিন্নে, মসিসু মখোয়না পাম্না ঙাঙনবদি মান্দে, পান্থে লৈতবদগী ঙাঙবা ওইরমগনি। ইম্ফালদসু সেক্রেটেরিএটতা ফল্লিবা হায় রেঙ্কিং ট্রাইবেল ওফিসরশিং অয়াম্বনা মণিপুরী খঙলবসু ঙাঙনীংদে, ঙাঙদে।

লৈবাক অসিদা লৈরিবা অয়াম্বা ষ্টেট লৈঙাকশিংনা মশা মশাগী মমালোল চাওখৎনবা থবক কয়া লৌখৎনরি। মধ্য প্রদেশতা মেদিকেল অমসুং ইঞ্জিনিয়ারিং হিন্দি লোলদা তম্নবগী ৱারেপ লৌখ্রে। উত্তর প্রদেশতসু মেদিকেল হিন্দিদা তম্নবা মরী লৈনবা লাইরিকশিং ট্রান্সলেট তৌবগী থবক লোইশিনখ্রে। অথুবা মতমদা শুংশোয় শোয়দনা লাউথোক্লগনি হায়বগী থাজবা লৈরে। টামিল নাদুদসু মেদিকেল অমসুং ইঞ্জিনিয়ারিং য়াওনা অৱাংবা থাক্কী মহৈ মশিং টামিল লোলদা তম্নবা শেম শাবা হৌখ্রে। অতৈ ষ্টেটশিংদসু হৌজিক হৌজিকমক লাউথোরক্ত্রবসু মশা মশাগী লোল চাওখৎহন্নবা অমদি লোল অদুবু ঙাঙলিবা মীওইশিংদা খুদোংচাবা হেন্না পীনবা থৌরাং কয়া শোয়দনা লৌখৎলকপা য়াবগী ওইথোকপা চাউনা লৈরে। অসিগুম্বা ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংদা ঙাঙনরিবা মমালোলশিং চাওখৎহন্দুনা লোল অদুবু ঙাঙলিবা মীওইশিংদা খুদোংচাবা পীনবা হোৎনরক্লবা মতম অসিদা ঐখোয়গী ইমালোল ওইরিবা মণিপুরী নৎত্রগা মীতৈলোলগী মরাইবক করম্বা মওংদা লৈরি হায়বদুসু নৈনফম থোক্লে।

মণিপুরী নৎত্রগা মীতৈলোল ইন্দিয়াগী অতোপ্পা ষ্টেটশিংদা ঙাঙনরিবা লোলশিংগা চাংদম্নবদা মহৌশাদগী হৌনা ইনাক খুনবা লোল অমা ওইনা হৌরকখিবনি হায়বদা য়েৎননীংঙাই লৈতে। ফোঙদোক্লিংবা খুদিংমক তোঙান তোঙানবা ৱাহৈ শীজিন্নদুনা অকনবা, অথোৎপা অমদি ময়ায় ওইবা ৱাহন্থোক থোকহন্দুনা ফোঙদোকপা ঙম্বগা লোয়ননা ৱাহৈ অমখক্তনা মীশক অমবু চপ চাবা মশক তাকপা ঙম্বা লোল অমা ওইরি। খুদম ওইনা অমা অনীদং লৌখৎতুনা নৈনরবদা ইংলিসতা ইয়াম্ববু এলদর ব্রদর, ইনাওনুপাবুনা য়ঙ্গর ব্রদর হায়নৈ। ব্রদরদা এলদর নৎত্রগা য়ঙ্গর হায়বা ৱাহৈ হাপচিল্লগা শেম্বা মিঙ্গৌনি। ঐখোয়গী মণিপুরী নৎত্রগা মীতৈলোলদদি ইয়াম্বা, ইনাও, ইচে, ইচন হায়না ৱাহৈ অমখক্তনা তোঙান তোঙানবা ৱাহন্থোক খঙহল্লি। হিন্দিদসু অদু মঙায় ইয়াম্বা অমসুং ইনাওবু ভাই হায়বা ৱাহৈদা 'বরে' নৎত্রগা 'ছোটা' হাপ্তুনা ৱাহৈ অনী পুনশিন্দুনা শেম্লগা কৌনবা ঙাক্তনি। অতোপ্পা লোলশিংদা লৈতবা ঐখোয়গী তোঙানবা মিঙ্গৌ কয়া অমসু লৈরি। খরদং পল্লবদা ইপল, খুরা, ইমাবোক, ইন্দোমচা, ইশেন, ইবাই, ইতৈমা, ইনাও, ইতৈ হায়বনচিংবা কয়া লৈখ্রে। ৱাহৈ অমখক্তনা মীওইদুগা লৈনরিবা মরীগা লোয়ননা ইথক থোংবরা ইখাথাবরা হায়বদুসু চপ চানা তাকই। ইংলিস অমসুং হিন্দি য়াওনা অতৈ লোলদা অসিগুম্বা মিঙ্গৌশিং অসি থেংনদে অদুনা ঐখোয়গী লোল অসি ঙাঙবা মী মশীং য়ামজদ্রবসু লায়রবা লোল অমনি হায়বদি য়ারোই। কনা কনাগুম্বনা লোলয়ান য়াওই হায়নবসু লৈ, হোয় চুম্মী পোক্ত্রিবা অঙাংগী মমিং লৈতবগুম ঐখোয়গী ওইনা লৈরমদবা পোৎকী মমিং লৈফম থোক্তবনা গাড়ী, মোটোর, সাইকল, জহাজ, এরোপ্লেন লৈরমদবনা মীগী মরোল শীজিন্নরম্বনি। অঙাং পোক্লবা মতুংদা মমিং থোন্নবগুম ঐখোয়গী লৈরক্লবা নৎত্রগা শীজিন্নরক্লবা মতমদা মণিপুরীগীসু লৈরকখিগনি। লমদম অসিগী অখঙ-অহৈ কয়ানা কোক চুংশিন্নরবা মতুংদা লৈরমদবা ৱাহৈ কয়া অমা পুথোরক্লে। এয়রপোর্টপু মালং হিথাংফম, বার্তনবু চেবাউ, মান্দবপু শোন্নপুং, সেবাবু থৌগল, সরকারবু লৈঙাক, প্রজাবু ইরাৎপা হায়বনচিংবা কয়া লৈরে। মতমগী মতুংইন্না অনৌবা কয়া অমসু পুথোরকখিগনি।

ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুশনগী ৮শুবা সেদ্যুলদা চন্নবা মশাগী ময়েক লৈজরবা মীওইবগী অনীংবা অপাম্বা অমদি উরিবা খুদিংমক ময়েক শেংনা ফোঙদোকপা ঙম্লিবা ষ্টেট অসিগী অপূনবা মীশিং লাখ ৩৫ রোম অসিগী মথক্তা মালেমগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা চোইনা খুন্দাখ্রবা মশীং থিঙমদ্রবা মণিপুরী কয়াগী মমালোল ওইরিবা, থৱায় য়াওজবা মীওই কয়ানা অৱাৎ অপা কয়া মেনখৎতুনা হেন্না মপূং ফাবা লোল অমা ওইহন্নবা লেপ্পা লৈতনা হোৎনরিবা মণিপুরী নৎত্রগা মীতৈলোল অসি লমদম অসিগী অনৌবা মীরোলনা চুম্না ঙাঙবা ঙম্লিবরা নৎত্রগা পাম্নরিবরা হায়বদুসু নৈনবা মথৌ তারি। লমদম অসিগী অপূনবা মীশিংগী চাদা নিফুমুক ওইরিবা চীংমী ইচিন ইনাওশিং মণিপুরী নৎত্রগা মীতৈলোল খঙলবসু অয়াম্বনা ঙাঙবদি পাম্নদে। হৌগৎলক্লিবা স্কুল তম্লিবা অঙাংশিংসু মণিপুরীবু সবজেক্ট অমা ওইনা তম্বগী মহুৎ অলটর্নেটিভ ইংলিসনা হেন্না পাম্নে। স্কুলদা মণিপুরী তম্বা পামদবগী ৱাফম অসিমদি মখোয়খক্তগী ওইদে, তম্পাক্তা খুন্দারিবা মীতৈ মহৈরোয়শিংসু অলটর্নেটিভ ইংলিসনা হেন্না পাম্নে। লমদম অসিগী নহা অয়াম্বনা ইমালোল অসি খঙদুনা লৈরবা লোল অমনি নৌনা অমুক তম্লুবগী মথৌ তাদ্রে হায়না লৌরম্বসু য়াই, অদুবু হৌরক্লিবা নহা কয়ানা লোল অসিবু চুম্না ঙাঙলিবগে হায়বদুসু মতম অসিগী মরু ওইবা ৱাহং অমা ওইরে। হৌরক্লিবা মীরোলনা লোল অসি ঙাঙদুনা পাউ ফাওদোক্নবা ঙম্লবসু না-পু-তানা অমদি মমাঙঙৈদগী লৈরক্লবা লোল অসিগী ফজরবা ৱাহৈশিংগী শীজিন্নফমদি খঙলক্তবগুম উবা মতাং কয়া লৈ। ঙসিগী নহা অয়াম্বনা খুরাগা ইপলগা অনীগী খেন্নবা খঙদবা মানবা, ইন্দোমচাগা ইমাবোক্কা অনীগী শীজিন্নফম খঙদবা, য়াম্লুং হায়বা মিঙ্গৌ অসি কনাদা কৌগদবনো হায়বা খঙদবা, ইমা কৌববুদি মমী কৌবনা হেন্না পাম্নরকপা, পাবা, পাবুং অমদি পাজি কৌববুদি দাদি কৌবা মীগী মশীংনা হেনগৎলক্লিবা, খুরাগী মহুৎ অঙ্কল, কাকানা শিন্নরক্লিবা, নুপীমচাশিংনা ইতৈ কৌবগী মহুৎ ইবাই কৌনরক্লিবা মসি পূম্নমক অসি লোল অসিগী ওইনা অফবা মওংনি হায়না লৌবা য়ারোই।

ইংলিস ঙাঙবদদি অচুম অরান থিনৈ, লান্না ঙাঙবদা ইকায়নৈ, চুমথোক্লবা হোৎনৈ। ইমালোল অসিদদি অচুম অরান লৈতবা, ঙাঙনীংবা মওংদা ঙাঙবা য়াবা মশাগী ব্যাকরন (গ্রামার) লৈতবা লান্না ঙাঙলবসু ইকায়বা পোক্নদবগুম খন্নরক্লিবা অসি লাইবক থীবনি। ঙাঙলিবা কাঙবুনসু মশানা চুমথোক্লবা হোৎনদে, অখঙবা মীওইশিংনসু তাকপীদে, ইয়াদা য়াবগী মওংদা চথরি। কনানা পুথোক্তুনা করম্বা মতমদগী চৎনরক্লিবনো খঙদবা করি করম্বা ৱাহন্থোক চেল্লিবনো হায়বসু খঙদবা ৱাহৈগী মতুংদা 'গে...গে' তাবগী চৎনবী অমসু লৈরে। খুদম ওইনা হায়রবদা 'ঐ চৎলরোইগে, চাররোইগে, তৌররোইগে" হায়বনচিংবা। মসিবু করি হায়রিবনো? মমাঙথক্তগী ঐখোয়গী চৎনরক্লিবা ৱাহৈশিং তোকথোক্লগা অনৌবা লমখাংদগী পুশিল্লকপা ৱাহৈশিংনা মহুৎ শিন্নরক্লবদি লোল অসি করম্বা ফীভমদা লাক্কনি হায়বদুসু খন্নফম থোকই। স্কুলদা মণিপুরী তম্বা তমদবা হায়বদুনা তোঙান্না থমখ্রগা হৌরক্লিবা নহাশিংনা অচুম অরান থিদনা ঙাঙনীংবা মওংদা ঙাঙলিবা অসি থেঙলবসু থেঙনা চুমথোকহৌবগী তঙাইফদবা লৈরে। মতম চানা য়েংশিনহৌদ্রবদি অশোয়বা অরানবনা পরেং লেংখিদুনা অখঙ অহৈ কয়ানা অনৌবা ৱাহৈ কয়া পুথোক্তুনা হেন্না মপূং ফাবা লোল অমা ওইহন্নবা হোৎনরিবা অসিগী ৱাহন্থোক লৈরক্তবা য়াই। মতম খরগী মতুংদা করম থোক্লগদবা ঐখোয়গী ইমালোল অসিগী মরাইবক? তম্বা ঙমদবা ফীভমদা লৈরে। ●

# মচু তরেংকী ফিরাল - ৭

- হৈস্নাম শ্যাম মঙাং -

চহী কয়া চংনা ইপা ইপুশিং অদুনা শেমগৎ-শাগৎচদুনা থম্বীরমখিবা অশেংবা অমদি অচুম্বা অনীদা য়ূম্ফম ওইবা হায়বদি অওইবদা য়ূম্ফম ওইবা পুয়া লৈলিং (পুয়া লাইরিক) ওইবশিংবু হায়বদি অদুগুম্বা ইপা ইপুশিং অদুনা (পু) য়াদুনা থম্বীরমখিবা তোঙান তোঙানবা হীরম (হিংলম) ওইবশিংদা শীজিন্ননবা লোল ওইবশিং হায়বদি য়ুংশালোন/য়ুমশারোন, য়ুংপানলোন/য়ূম্বানলোন, লৈনীং-লৈশোনলোন/লাইনীং-লাইশোনলোন, লৈঙাক-লৈকনলোন, ৱায়েন, থৌগলোন/ৱায়েল থৌদালোন, চৎনইলোন/চৎনলোন, ইনাইলোন/ইনাৎলোন, হায়রিবশিং অসিবু মৈনুংদা লংশিন্দুনা মৈ থাদোকপীখিবা, ইপা-ইপুশিংগী লৈনীং-লৈশোন/লাইনিং লাইশোন পাঙথোকফম খুভমবু য়ৈখাই থুগাইরবা মতুং অতোপ্পা মশক শক্তম অমনা মহুৎ শিনজিনলকখিবা অসিনচিংবা ময়ামসিং অসিবু (মসিনা লোইবা নত্তে) মথক্তা পঞ্জখিবা 'কাংখনবা লিং চংপা'/'কাংখদা লিন চংবা' হায়বা থৌদোক নত্তে করম্না হায়গদৌরিবনো?

লিন হায়বসি য়ূম অমদি ইঙ্খোলদা চংহনবা য়াবা নত্তে। লিনদি লোয়নবা য়াবা নত্তে অদুবু লিন লোয়নবা ঙম্বা মীতোপচা লৈতবা নত্তে। লিনবু লুবাক্তা হাপ্লগা কোইপু পুবা ঙম্বা, লুবাক মখুম হাংদোক্লগা ম্যুজিকেল ইন্সত্রুমেন্ট অমগী মতেংনা লুবাক মখুমদগী কৌথোক্লগা লৈমায়থক্তা জগোয় শাহনবা ঙম্বা অঙাং ওইরিঙৈদা ঐখোয়না থেংনখিবা মী অদু ঙসি অসিদা লৈরিবা জ াৎলা? ঙসিগী মরোল অসিদা ঐখোয়গী ঈলৈচাসিং অসিগী মফমদা থোক্লিবা অশি অনা, অৱা চৈথেংনচিংবশিং অসি লিন লুবাক পুদুনা কোইচৎ চৎলিবা লিনবু জগোয় শাহনবা ঙম্বা কনাগুম্বা মহাক অদুনা মহাক্কী লুবাক মনুংদগী থাদোরকপা লিন ময়ামশিং অদুনা চিকখিবদগী অদুগুম্বা অশ-অনা অমদি অৱা চৈথেং অদু থোক্লিবা হায়দুরা?

উচি অমদি সবি হায়রিবা শা মখল অনী অসিগী মান্নবা লমচৎ অমমম হায়রবদি লৈপাক লৈশা চিকথৎপা, হুৎতোকপা, হোগাইবনচিংবনি। উচিনা ইমুং মনুংগী লৈপাক লৈশা চিকথৎপা, থিনগাইবা অমদি হোগাইবগা লোয়ননা ইমুং মনুংদা লৈবা শেৎন-ইন্নবা ফিরোলশিং চিকথৎতুনা শীজিন্নবা য়াদনা থম্বীরম্বা মখোয়শিং অসিনি। অউ অউবা (উ) চিকথৎপগী হৈনবী লৈবা (চিক) অদুবু 'উচিক' (উচি) হায়রিবা অসিনি।

'সবি' হায়বসিনা উপাল-ৱাপালদগী উরু-ৱারুগা তাইনরিবা লৈপাক লৈশাবু থিনগাইবা হোগাইবা অসিনচিংবগী হৈনবী লৈবা থৱায় পানবা মখলনি। ঈলৈপাক (কংলৈপাক) অসি চীংগী শরুক্না হেন্না মপূং ওইনা লৈবা মরম্না চীংলৈপাক কৌনবনি। চীং অমদি তম্পাকলম অনীগী তোঙান তোঙানবা য়েলহৌমী কাঙলূপশিং অমগা অমগা ৱাখল উমিন্নবা (উ) পান্নবা লৈমিন্নবা (পান) অদুবু 'উপান' কৌই। হায়রিবা কাঙলূপ অনী অসিনা অমগী ৱা অমনা তাদুনা (ৱা) অমগা অমগা পান্নদুনা লৈমিন্নবা (পান) অদুবুনা 'ৱাপান' কৌনবনি। চীংগী শরুকশিংদা সবিশিংনা উপান-ৱাপানগা তাইননা লৈপাক লৈশাশিং থিনগাই হোগাইদুনা উরু-ৱারু অয়াম্বা কিন্থখিদুনা উপান-ৱাপানশিং নোংম নোংমগী ময়েং তাশিল্লকপা হায়বসি মহৌশানি। মদুনা মরম ওইদুনা শাবগী চাং খঙহেন হেনজিল্লকপা হায়বসিসু মহৌশানি। শাবা হেনগৎলকপদগী মকোক মরু ঙাউখৎখিদুনা চীং অমদি তম্পাকলম অনীগী য়েলহৌমী ওইবশিং অমগা অমগা উনদুনা (উ), অমগা অমগা পান্নদুনা (পান) হায়বদি 'উপাল' ওইমিন্নবা লোয়ননা অমগী ৱা অমনা তান্নদুনা (ৱা) অমগা অমগা পান্ননা হিংমিন্নবা (পান) হায়বদি 'ৱাপান' ওইমিন্নবা অনী অসিগী চাং হন্থরকপা হায়বসি সবি হায়বা অদুনা থোকহনবনি হায়রোইদবগী মরম লৈবরা? ● (মখা চথজরকখিগনি)

**হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্কীজ -১২১গী ৱাহং**

১) "কৃষ্ণ চরিত" হায়বা লাইরিক অসি মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে?

২) "নাটক অমসুং সমাজ" হায়না মিংথোনবা ৱারেং অসি অপূনবা ৱারেংগী লাইরিক অমদগী লৌথোরকপনি। লৌথোরক্লিবা ৱারেং লাইরিক অদুগী মমিং করি কৌবগে? অইবা অসি কনানো?

৩) "অরাম্বাই মকু" হায়বা অসি ৱারীমচাগী লাইরিক্তা য়াওবা ৱারীমচা অমগী মমিংনি। ৱারীমচা অসি য়াওরিবা লাইরিক্কী মমিং অমসুং অইবগী মমিং হায়য়ু।

৪) "নোংদম" হায়বা ড্রামাগী লাইরিক অসি কনানা ইবগে?

৫) "শান্তিগী লৈরাং" হায়রিবা লাইরিক অসি মণিপুরগী মপানগী অইবা অমগী লাইরিক্নি। অইবা অসিগী মমিং ইয়ু।

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম সেপ্টেম্বর ১৫, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী ড্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।